## হোক্কী ইন্দিয়া জুনিয়র মেন নেসনল চেম্পিয়নশিপ

# মণিপুর হোক্কী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচ এন এস):**
হোক্কী ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা হৌজিক-হৌজিক পঞ্জাবকী জলন্ধরদা চথরিবা ১৪রক শুবা হোক্কী ইন্দিয়া জুনিয়র মেন নেসনল চেম্পিয়নশিপ ২০২৪গী ওইনা ঙসি হোক্কী হিমাচল অমসুং মণিপুর হোক্কীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অমদা মণিপুর হোক্কীনা হোক্কী হিমাচল থোইরগা চেম্পিয়নশিপ অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।




টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা হৈ-শিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা অমনা অমগী মায়কৈদা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙম্মখিদে। অহানবা ক্বার্টর লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা ক্বার্টর শান্নখিবা অদুগী ওইনসু মখা তানা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা অদুম্মক বোল পায়বগী চাং মান্ননা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা অনীশুবা ক্বার্টর অমদি অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা নাকল অনীমক্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

মখা তানা শান্নখিবা অহুমশুবা ক্বার্টরদা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা মখল-মখা কয়াগী কাউন্টর এটেকশিং চথুবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদুগী ৪৪শুবা মিনটতা মণিপুরগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১০ নিংঙোম্বম অমর্জিৎনা হোক্কী হিমাচলগী মায়কৈদা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। ইকান কান্নদনা থংনবা ৪৫শুবা মিনটতা মণিপুরগী মায়কৈদগী পেনাল্টি কোর্নরগী খূদোংচাবা অমা ফংখি। খূদোংচাবা অদু টিম অদুগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১৭ সুশিল লিশমনা হৈন-শিংনা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখিবদগী অহুমশুবা ক্বার্টর লোইবা ফাওবদা মণিপুরনা পাঞ্জল ২-০দা মাংজিল থারগা লৈখি।

মরিশুবা অমদি অরোইবা ক্বার্টর শান্নবা হৌগৎলকপদা হোক্কী হিমাচলগী মায়কৈদগী মখোয়গী মায়োক্তা চনশিনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙম্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। অদুবু মণিপুরগী হৈ-শিংলবা দিফেন্দরশিংনা হোক্কী হিমাচলগী এটেকশিং অদু থিংদুনা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং অরেম্বদা তাহনখি। মেটচ অদুগী ওইনা অপীবা অরোইবা মতম ফাওবদা হোক্কী হিমাচলগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু মণিপুরনা পাঞ্জল ২-০দা মায় পাকখিবনি।

ক্বার্টর ফাইনেলদা মণিপুরনা থা অসিগী ১৭কী অয়ূক পুং ১০ তাবা মতমদা য়ু পিগা লম্বা তৌনরগনি।

# টি দব্লিয়ু ৱাই এল এ ককচীংনা বি ৱাই এস দব্লিয়ু সী থোইখ্রে



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচ এন এস):**
দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) ককচীংনা শীন্দুনা চথরকখিবা থর্দ দিভিজন দি এস এ ককচীং ২০২৪ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়না লোইশিনবা নুমিৎতা টি দব্লিয়ু ৱাই এল এ ককচীং অমসুং বি ৱাই এস দব্লিয়ু সী বিজয়পুরগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অমদা দি দব্লিয়ু ৱাই এল এনা বি ৱাই এস দব্লিয়ু সীবু লাকচনা থোইবা ঙমখ্রে।

দি এস এ ককচীংগী গ্রাউন্দদা ঙসি অয়ূক পুং ৭.৩০ তাবদগী হৌরগা টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা বোল পায়বগী চাং চাংচৎতা মান্ননা শান্নবা ঙমখি। অদুমওইনমক মেটচ অদুগী ৯শুবা মিনটতা টি দব্লিয়ু ৱাই এল এগী এম সনাথোইনা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমদুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা বি ৱাই এস দব্লিয়ু সীদগী পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনা টি দব্লিয়ু ৱাই এল এগী শান্নরোয়শিংনা বোল খরা হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা হৌরকখিবগা লোয়ননা ৪৩শুবা মিনটতা এম সনাথোইনা মেটচ অদুগী অমদি মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। বি ৱাই এস দব্লিয়ু সীগী মায়কৈদগী মখোয়গী মায়োক্তা চনশিনখিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙম্নবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। অদুবু বোল পায়বগী চাং খরা নেমখিবনা মরম ওইরগা মখোয়না পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙমখিদে। নাকল অমরোমদা, বোল খরা হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙল্লিবা টি দব্লিয়ু ৱাই এল এগী জর্সি নম্বর ১৮ এম রাজেননা ৪৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চনখি। বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙম্বগী খূদোংচাবা লৌরগা টি দব্লিয়ু ৱাই এল এনা মখল কয়াগী এটেকশিং চথুবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদুগী ৬৫শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোয় এম রাজেননা অমুক হন্না পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। মেটচ অদুগী অপীবা অরোইবা মতম ফাওবদা বি ৱাই এস দব্লিয়ু সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা হন্দোকপা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু টি দব্লিয়ু ৱাই এল এনা পাঞ্জল ৪-০দা মায় পাকখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী মেটচ কম্মিস্নরনা টি ঐচ দিনেশ্বর অদুগা রেফরি ইন-চার্জনা এম মাঘোনা ওইখি।

# এসিয়ন চেম্পিয়ন্স ট্রোফি: ইন্দিয়ানা কোরিয়া থোইখ্রে

**মোকি, সেপ্টেম্বর ১২ (এজেন্সী) :**
চাইনানা য়ুম্বু ওইদুনা হুলুনবুইরদা লৈবা মোকি হোক্কি ত্রেনিং বেজদা চথরিবা হিরো এসিয়ন চেম্পিয়ন ট্রোফিদা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ওইরিবা ইন্দিয়ানা মায়থীবা অমত্তা নংদনা কোরিয়াবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা লৈবাক অসিগী ওইনা থংন-থংননা মরিরকশুবা ওইনা মায় পাকপা ঙমখ্রে

ইন্দিয়া অমসুং কোরিয়া শান্নখিবা মেটচ অসিগী ৮শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অরাইজীৎ সিংহ হুন্দালনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ইন্দিয়ান টিমবু ঙন্না মায় পাকপগী লম্বীদা চিংশিনখি। মসিগী মতুংদা ইন্দিয়ান টিমগী স্কিপ্পর হরমনপ্রীট সিংহনা মেটচকী ৯শুবা অমসুং ৪৩শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী চনখি।

মেটচ অসিদা কোরিয়ানা অনীশুবা ক্বার্টরগী অরোয়বা মিনট ৭তা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা পাঞ্জল অমা চনখি।

সেমি ফাইনেলদা হান্না চঙখ্রবা ইন্দিয়ানা লেপ্তুনা মায় পাকপগী শরুক অমা ওইনা লিগ ষ্টেজ মেটচসিদা কোরিয়াবু থোইবা ঙমখিবনি। দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ওইরিবা ইন্দিয়ানা মেটচ অসিদা মখোয়গী হৈশিংবা উৎখিবগা লোয়ননা মেটচকী ৮শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অরাইজিৎ সিংহ হুন্দালনা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবদু ভিভেক সাগর প্রসাদনা নীংথিরবা পাস অমা তৌরকপদগী হুন্দালনা বোল অদুবু পাঞ্জল ওইনা ওন্থোকপা ঙমখিবনি। মসিগী মতুংদা স্কিপর হরমনপ্রীট সিংহনা পেনালটি কোর্নরদা পাঞ্জল অনী চন্দুনা ইন্টরনেসনল মশান্নদা হরমনপ্রীট সিংহগী ২০০শুবা পাঞ্জল ওইখি।

য়ুম্বু ওইখিবা চাইনাবু কোরিয়ানা ৩-২দা থোইদুনা পোইন্ট টেবলগী অনীশুবদা লৈরবসু ইন্দিয়াবু কোরিয়ানা তরাই তরাইনা লাকশিনবা ঙমখিদে।

কোরিয়া অমসুং ইন্দিয়া শান্নখিবা মেটচতা ইন্দিয়ানা বোল য়াম্না পায়খিবগা লোয়ননা এটেক কয়ারক চথুদুনা কোরিয়াবু অৱাবা ফীভমদা লৈহনখি।

মেটচকী অহুমশুবা ক্বার্টরদা ইন্দিয়া অমসুং কোরিয়ানা পেনালটি কোর্নর চপ মান্নবা ফংনখি অদুমকপু ইন্দিয়ানা মায় পাক্না বোল অদু নেটতা থেংহন্দুনা কোরিয়াবু ৩-১দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। মেটচ অসিগী অরোয়বা ক্বার্টরদসু ইন্দিয়ানা বোল য়াম্না পায়দুনা কোরিয়াবু লাকচনা শান্নখি। কোরিয়াগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হেন্না চন্নবা কয়ারক হন্না হোৎনরবসু মখোয়গী মঙলান মপুং ফাবা ঙমখিদ্রে।

ইন্দিয়াগী শান্নরোয় সুরজ কারকেরোনা য়াম্না হৈশিংনা গোল পোষ্ট ঙাক্লুনা থমখিবদগী কোরিয়াগী হোৎনজমন অদু অরেম্বা তাখি।




**মমি ৱারী**

## লৌ পেংবা

### সুশিল নিংথৌজম, ফয়েং



# কে এম এস দব্লিয়ু সী অমসুং ৱাই দব্লিয়ু য়ু মায় পাকখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (ঐচ এন এস):**
দি এস এ ককচীংনা শীন্দুনা হৌজিক-হৌজিক চথরিবা ১৮শুবা দি এস এ ট্রোফি ইনভিটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৪গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা কে এম এস দব্লিয়ু সী কৈরক মুস্লিম অমসুং ৱাই দব্লিয়ু য়ু ককচীং মায় পাকখ্রে। কে এম এস দব্লিয়ু সী অমসুং এস দি ও পল্লেলগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা কে এম এস দব্লিয়ু সীনা পাঞ্জল ২-১দা অদুগা ৱাই দব্লিয়ু য়ু অমসুং কে পি এস সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ৱাই দব্লিয়ু য়ুনা পাঞ্জল ৮-০দা মায় পাকখিবনি।




**LOAN AVAILABLE**
for Vehicle / Machinery / Pension
(used vehicles exchange offer)


# 2/Wheeler : Classic 350, Hero Xtreme 160R, Jawa 350, Activa, Dio, Jupiter etc.
# 3/Wheeler : Diesel Auto, Petrol Auto, e-Rickshaw etc.
# 4/Wheeler (Commercial) : Eco Van, Super Carry, Tata ACE Gold, Jeeto etc.
# 4/Wheeler : Thar, Alto 800, Tata Nexon/ Punch/ Tiago + Luxury cars etc.
# Machinery : Stone Crusher items, Flex Printer, Rice Mill, Tyre Fitting set, Car Wash Machine set etc.
# 2/3/4 Wheeler used vehicles exchange গী offer পীজরি।
# State/Central Pensioner শিংগী ওইনা 1.5%, 2%, 2.5% p/m গী Interest তা Pension Loan গী খূদোংচাবা পীজরি।

**EMPLOYMENT NEWS**
# Car Wash Helper, Tyre Fitting Helper, Chicken Centre অমসুং Poultry Farm গী মী (Boy), Driver 2, Security/ Gunman 2/2 পামজৈ।

Please Contact : L.G. Motors
Khagempalli Huidrom Leikai,
Mobile No. : 1) # 9362775475
2) # 9383154086

HL-B/9010/18/8-1/11(alt)

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1245**

**Nikoly Balakirev (1885) - Yedil Kabylbek (1857)**
**FIDE World Rapid Team Almaty KAZ, 2024.08.04**

1.h3 d5 2.e3 Nf6 3.d4 c5 4.dxc5 Qa5+ 5.Nd2 Qxc5
6.Nb3 Qc7 7.Nf3 g6 8.Bd2 Bg7 9.Ba5 b6 10.Bc3 O-O
11.Bb5 a6 12.Bd3 Nc6 13.Nbd4 Nd7 14.Ne2 e5 15.e4 d4
16.Bd2 Nc5 17.Ng3 Qe7 18.Bc4 Be6 19.Bxe6 Nxe6 20.O-O Rac8
21.Qe2 b5 22.a4 Qc5 23.axb5 axb5 24.c3 Rfd8 25.cxd4 Ncxd4
26.Nxd4 Nxd4 27.Qg4 h5 28.Qg5 Nb3 29.Be3 Qd6 30.Ra7 Rd7
31.Rxd7 Qxd7 32.Kh2 Rc2 33.Rb1 Qd3 34.Qe7 Nd2 35.Qe8+ Kh7
36.Ra1 h4 37.Nh5 gxh5 38.Qxf7 Nf1+ 39.Kg1 Ng3 40. ...

**QUESTION : White to win**

**Puzzle 1244 Solution :**

**32. Bxg6** The white bishop clears the way for White's rook to the square c2. The white bishop clears the way for White's rook to the square d2. The white bishop captures Black's pawn, which was defending the square h5. Opening the line from f4 to f8. Opening the line from h7 to e7. **e2+ 33. Kh2 fxg6 34. Qxh7+** The white queen captures Black's pawn, which was defending Black's pawn. The white queen attacks Black's king, which is defending the square h8. **Kf8 35. Qh8+ Ke7 36. Rh7+ Bf7 37. Qf6+** The white queen forks Black's king and bishop. The white queen attacks Black's king, which is defending Black's bishop. **Kd7 38. Qd6#** Swallow's tail mate
**1-0**

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com